www.sanaleibak.in

SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
# সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 13,871 | 22 Carat/g : ₹ 13,060 | 1 Kg Silver : ₹ 2,20,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,220 | WEATHER: Clear | Temperature 28/18°C | Sunrise: 05:16 AM | Sunset : 04:41 PM | Petrol : ₹ 106.90 | Diesel : ₹ 92.59 | GAS TODAY Nil | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 313 | IMPHAL, SATURDAY, OCTOBER 24, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | থাংজ, মেরাগী ১৩নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

# মণিপুরগী চীং–তমদা লৈরিবা য়েলহৌমী পূম্বনা পেন্দবগী খোল্লাউগা লোয়ননা কংলা শেম্পুং য়ৈখ্রে






ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী চীং–তমদা লৈরিবা য়েলহৌমী পূম্বনা হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌরদুনা ঙসি ফাওবদা থোক্লিবা মীহাৎ–মীপুন লেপ্পা লৈতনা চথরকপা অসিদা লৈঙাকপশিংগী থৌওংদা পেন্দবগী খোল্লাউগা লোয়ননা কংলা শেম্পুং য়ৈখ্রে।

ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ দগীনা পুং ৮ ফাওবা মণিপুর শীনবা থুংনা য়েলহৌমী ফুরুপ খুদিংমক্না লম্বীদা থোক্লক্তুনা, লৈকায়–লৈকায়দা, গাড়ী থৌনা–থৌনা হোরোন শাংনা–শাংনা খোঙদুনা অমদি তোঙান তোঙানবা থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা থৌরম লেপ্তুনা পুং, পুখম, ঢোল, ট্রাফিক্কী থল্লিবা বেরিগেটশিং, কৈথেল ফম্বী ইমাশিংনা সের ফালা থিন্দুনা, ইলেক্ট্রিক পোষ্টনচিংবা অফং–অফংবা পোৎ থিনবা য়াওনা খুবাক খুদুনা পেন্দবগী খোল্লাউ কয়া ...মখা লমায় ৫দা...

## ইন্দিয়াদা পুল্লুরিবসি য়েলহৌমী মুখৎনবগীরা ঃ জাদুমনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুল্লুরিবা অসি ঐখোয়গী য়েলহৌমী মুখৎনবগীরা হায়না ফেদরেসন ওফ হাউমীগী প্রসিদেন্ট সাপমচা জাদুমনিনা ফোঙদোকখ্রে।

মীয়ামগী খোল্লাও লাউদুনা শেম্পুং য়ৈবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা হায়, মীয়ামগী খোল্লাউ তাবিদ্রগদি ...মখা লমায় ৫দা...

# সূ শাঙদোকখিদবা মরম্না মণিপুরদা সূ লৈত্রে লৌবা য়ারেঃহোম মিনিষ্টর

## ‘দিটেন তৌখিবা কাদর ১৭ লোগী মতুং ইন্না ফারগনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (এস এন এস)ঃ কুকি খূৎলায় পায়বশিংগা ইনখিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) এগ্রিমেন্ট চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা লোয়খিবদগী মখা শাংথখিদবনা মরম ওইরগা হৌজিক মণিপুরদা সূ চৎনদ্রে হায়বা য়ারে। ফুরুপ কাঙলূপ নাইদনা লৈরিবা খূৎলায় পায়বশিংগী মথক্তা মতম অমা হেক্তেদা ওপরেসন চত্থরকপা য়াই হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।



এদিটর্স গীল্ড মণিপুর (ই জি এম) অমসুং সোসিও ইকোনোমিক এন্দ এনভাইরোনমেন্ট দিভলপমেন্ট সোসাইটি (সিদস)কা খূৎশন্ননা শীন দুনা সঙাইথেল ওলেম্পিয়ান পার্কতা লৈবা সিদস কমপ্লেক্সতা ঙসি ‘সিদস গ্রীন লেগসি ওরচার্দ’ লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগী মতাইদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবদা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা এ দি জি পিনা মরিক চুন্না পাউদম পীখিবা লৈখ্রে। নোং সুমদা থোকখিবা থৌদোক্তা মীওই ৩ লৈখিদবা অমসুং ৩না শোক্তুনা লায়েং লিবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুর পুলিস য়াওনা কম্বাইন্দ টিমনা চত্থিবা ওপরেসনদা থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৩ ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফারবা ...মখা লমায় ৫দা...

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

অচৌবা অমা তৌগে খন্দুনা লৈববুদি অপীকপা অমা তৌবনা হেন্না ফৈ

## য়াম্লবা খূৎলায় ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(এস এন এস)ঃ অসাম রাইফলসকী টিম অমনা ইম্ফাল ইষ্টকী শগোলমাঙ পি এসনা কোনবা ওপ খোজদিন (ফাইলেংকোট)তা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াম্লবা খূৎলায়শিং ফংখ্রে। খূৎলায়শিং অদুদি পোইন্ট ২২ রাইফল ১, মেগজিন য়াওনা সি এম জি ১, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল (জপান)১ ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘তরাইনা লৌরোইদবনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(এস এন এস)ঃ লাঞ্জেন্নরকখিবা আই দি পিশিং সুইসাইদ তৌরগা মথং মথং শিরকপা তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়না সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট সঞ্জয় অহন্থেমনা ফোঙদোরক্লি।

ইমা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইরৈচাশিংনা মীতোপকুন্না লাঞ্জেন্নদুনা ৱানা ...মখা লমায় ৫দা...

## মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(এস এন এস)ঃ থা অসিগী ১৯দা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীহাৎ থিনা হাৎতোকপীখ্রবা মীওই ৩গী য়ূমদা চত্তুনা রোদসাইদ ভেন্দর ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী মীহুৎশিংনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শেলগী অঙম্বা মতেং পাংখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

## ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা মখল কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনিঃলূপ ৫

**মণিপুর থুগায়রগা অনৌবা ষ্টেট শেম্নবা থৌরাং তৌবা য়ারোই ঃ কনভেনর**

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(এস এন এস)ঃ ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা হয়েংদগী হৌরগা মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজঙ চঙশিল্লগনি। মণিপুর থুগায়রগা অনৌবা ষ্টেট শেম্নবা থৌরাং তৌরকপা শুকয়া য়ারোই হায়না লূপ ৫না অকনবা ৱাফম থল্লক্লি।

অমুকো, অমাৱোভা, পোইরৈ লৈমরোল, কোহর অমদি এম এস এফকী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাইদা লৈবা অমুকোগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা লূপ ৫গী কনভেনর শোরোখাইবম সঞ্জয়না হায়, মণিপুর মচেৎ তানা থুগায়নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লোন্না অমদি ফোঙনা চত্থরকপা লাল্লোংশিং লূপ ৫না মীয়ামগা লোয়ননা অঙম্বা থাক্তা থেংনদুনা লাক্লি। ...মখা লমায় ৫দা...

## লাইসেন্স নোংমৈশিং থিনগৎলক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(এস এন এস)ঃ শঙ্গাইয়ুম্ফম অমদি খাঙবোক খুলদা শীজিন্নরিবা লাইসেন্স নোংমৈশিং থা অসিগী ২৪ ফাওবদা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা শুংশোয় শোয়দনা পীখৎলক্লবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা খঙহনখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট য়ুম্নাম রোবিতানা খূৎয়েক পীদুনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না থা অসিগী ২২দা থৌবাল এস পিনা লো এন্দ ওর্দরগী ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা শঙ্গাইয়ুম্ফম ...মখা লমায় ৫দা...

## অয়েৎপা লৈতনা মহৈ তমহল্লু ঃ এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (এস এন এস)ঃ অয়েৎ অপন লৈতনা মহৈরোইশিংবু মহৈ তম্বা য়াহনবীয়ু। লৈবাক্কী অমদি লন্নাইগী ইহৌদা মহৈশঙশিংগী থবক থৌরমদি কোমথোকপীয়ু হায়না ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন (এ এম আর পি এস দব্লিউ এ)না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী পি রোমেননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি তোঙান তোঙানবা ৱাথোক কয়ানা মণিপুরবু অৱাবা ফিভম অমদা লৈরি। মীতোপ মীয়ানচা ...মখা লমায় ৫দা...

## মহৈশঙশিংদি ফ্রী জোন ওইহনসিঃ কম্মিটি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(এস এন এস)ঃ ইহৌশিংদা য়ারিবমখৈ মহৈ তম্ফমশঙশিংদি য়ৈখায় থিনগায়বা পীদবা মফম ফ্রী জোন অমা ওইহনসি হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন দিষ্টরভেন্স ফ্রী এদ্যুকেসনেল জোন দিমান্দনা থল্লক্লি।

কম্মিটি অসিগী কনভেনর ওইনাম রোমেশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১৯দা খোংবাল তাঙ্খুলগী ...মখা লমায় ৫দা...

## চীফ মিনিষ্টরনা জপানিজ কোর্পোরেসনগী মীহুৎশিংগা উনদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(এস এন এস)ঃ চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা জপানিজ কোর্পোরেসনশিংগী মীহুৎশিংগা উনদুনা মণিপুরগী নহাশিংগী থবক পীবদা হেন্না খূদোং চানবগী মতাংদা মরু ওইবা ৱাফম কয়া খন্ন–নৈনখ্রে।

ইম্ফালগী সি এম সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা জেনকেন ...মখা লমায় ৫দা...

## স্কুল কিট ফংহনবদা মতেং পাংগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি)ঃ এন পি সি আইনা দিভেলপ তৌবা ভিম পেমেন্ট এপনা চত্থরিবা মিঠি দিৱালি কেম্পেনগী অহুমশুবা ইদিসনগী ফেষ্টিভ সেলেব্রেসনগা লোয়ননা গুঞ্জগা পার্টনর ওইদুনা স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা স্কুল কিট ফংহনবদসু মতেং পাংলগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ওক্টোবর ১৯ দগীনা নবেম্বর ৮ ফাওবগী মনুংদা ভিম পেমেন্ট এপকী খুথাংদা ট্রাঞ্জেক্সন তৌবা ৭ লক শুবা মতমদা ভিম পেমেন্ট এপকী ...মখা লমায় ৫দা...

## ওক্টোবর ২৫দগী হরাও কুম্মৈ অমত্তা পাঙথোকপা য়ারোইঃএমসি য়ুনিফিকেসন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা থা অসিগী ২৫দগী ঈশৈ–নোংমাই, লীলা দ্রমা, সিনেমা, মেলা, জ্বার অমসুং লগাও অসিনচিংবা মখল অমত্তগী হরাও কুম্মৈ অমত্তা পাঙথোকপা য়ারোই হায়না কেসিপি (পিদব্লিউজি) এমসি–য়ুনিফিকেসনগী পি আর ও চিংখৈঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লোনা থিংখ্রবা লূপ অসিগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌরগা থা অসিদা ইম্ফাল ইষ্টকী সগোলমাং শুনুলোক উয়োক অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক অমসুং সঙ্গাইয়ুম্ফমনচিংবা মফমশিংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক, মীশি মীনা কয়া থোক্লিবা অসি য়েংলগা থা অসিগী ২৫ দগী মপুং ওইনা ঈশৈ, লীলা, সিনেমা, দ্রমা, মেলা, জ্বার, লগাও য়াওনা হোটেল অমসুং রেস্তোরেন্টনচিংবদা পাঙথোকপা হরাও কুম্মৈ অমত্তা তৌবা য়ারোই। হৌখিবা ...মখা লমায় ৫দা...

## চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম মেরা হৌ চোংবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (এস এন এস)ঃ মৈহৌরোলদগী মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা চীং–তম অনীগী মরী চেৎশিলহনবা মেরাগী পূর্ণিমা নুমিত্তা চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম চহী অসিগী ওইনা মমাঙদা পাঙথোক্খিদ্রিবা মওংদা চীংগী লুচিংবশিং নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা ইম্ফালদা থুংলরগা হেন্না পাক চাউনা পাঙথোক্লগনি হায়না ষ্টেট লেভেল কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পেলেস কম্পাউন্দদা নৌনা শাবা লোয়রবা চীংগী খুল্লাকপশিংগী লৈফম গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকপা মীফমদা ...মখা লমায় ৫দা...

## প্রো. চিংলেনদা বোমগী এটেক্ট চত্থনবা হোৎনরম্বা য়ানিদে ঃ মুটা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ২০গী নুমিদাংদা লিৱা লম্বী চনম পুখ্রি মপান্দা লৈবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার মৈস্নাম চিংলেনগী য়ুমদা শকখঙদবা মীওই খরনা বোমগী এটেক্ট চত্থনবা হোৎনরম্বা অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিয়েসন (মুটা), মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু), ওফিসার এসোসিয়েসন, ষ্টাফ এসোসিয়েসন, কন্ট্রেকচুয়েল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ট্রাফিক পোইন্ট মনাক্তা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

ইরাং লাকশিন্নবা কন্না হোৎনরিকো...



ইরাং লাইরি, লম্বীগা ঈশিংগসি অমুক্তা নুংঙাইহল্লু, ভোট পীরগে...।

## তঙদু লৈতাবা হঞ্জিনহল্লু হায়না ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(এস এন এস)ঃ মণিপুরদা ইং তপ্পা অমদি তঙদু লৈতাবা হঞ্জিনহল্লু হায়দুনা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

পিপলস প্রোগ্রেসিভ এলাইন্স মণিপুর (পি পি এ এম)না মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা চত্থখিবা ৱাকৎ মীফম অদু শরুক ...মখা লমায় ৫দা...

## লৈঙাক্না এক্সন লৌফম থোকপনিঃ দব্লিউ এম সি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(এস এন এস)ঃ খোংবাল তাংখুল অমদি নোংসুমগী মরক্তা শীং চনবা চৎপা মীওই অহুম হাৎখিবগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা ইসু অসি সেন্সিটিভ ওইবা মরম্না ফোর্স য়াম্না শীজিন্নবা খুদোংচাদবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা অদু য়াম্না লাইবক থিবনি। মীহাৎ ...মখা লমায় ৫দা...

## খাঙবোক–শঙ্গাইয়ুম্ফমদা ওপরেসন চত্থখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(এস এন এস)ঃ খাঙবোক অমদি শঙ্গাইয়ুম্ফমদা থৌবাল পুলিস টিমনা রাকেশ মীহাৎকা মরী লৈননা মরাল লৈবশিং মখা তানা ফাগৎপা ঙম্নবগী পান্দমদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখ্রে।

থিবা হুম্বগী থবক চত্থখিবা অদুদা থৌবাল পুলিসকী টিম অদুনা খাঙবোক অমদি ...মখা লমায় ৫দা...

## হেক্তা হায়জিনবা

### য়েংদুনা য়েংবা

য়েংবা য়াবা য়েংলে
মৈতৈগী অপাম্বা ফংব্রা য়েংলে
লাউ–খোংদুনা য়েংলে
মীফম ফমদুনা য়েংলে
ৱারেপ লৌদুনা য়েংলে
মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা য়েংলে
ৱাকৎ মীফম ফমদুনা য়েংলে
মৈরা রেল্লি চৎতুনা য়েংলে
হ্যুমেন চেন শেমদুনা য়েংলে
খূথাং চরা হেন্দুনা য়েংলে
বন্দ তৌদুনা য়েংলে
শিন্থা লেপ্তুনা য়েংলে
মীয়ামগী খোঙচৎ চৎতুনা য়েংলে
দিল্লিদা ৱানোমদুনা য়েংলে
পাউগী মীফম ফমদুনা য়েংলে
মৈতৈগী অপাম্বা ফংব্রা য়েংলে
ফংলরোইদ্রা ফাওবা য়েংলে
য়েংবা য়াবা য়েংলে।

## ইরাবন্তদা ইদ্যুকেসন ৱার্ল্ডনা লাইফটাইম এচিভমেন্ট ইন এদ্যুকেসন লীদরসিপ এৱার্দ ২০২৬ পীরক্লে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (এস এন এস)ঃ য়ুনাক্কো স্কুলগী চেয়ারমেন ইরাবন্ত নিঙোম্বমনা ইন্দিয়াদা কে–১২ এদ্যুকেসন চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙবা ওইনা লেমজনিংঙাই ওইরবা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ ইন এদ্যুকেসন লিদরসিপ ২০২৬ পীরকপদা য়ুনাক্কো গ্রুপকী মায়কৈদগী হরাওবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা খোংমন জোন টুদা লৈবা য়ুনাক্কো টৱারদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা য়ুনাক্কো স্কুলগী পি আর ও পুখ্রম্বম সনায়াইমনা হায়, এৱার্দ অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা অমসুং মরিক চুম্বা স্কুল রেঙ্কিং সর্ভে ওইরিবা এদ্যুকেসন ৱার্ল্ড ইন্দিয়া স্কুল রেঙ্কিং এৱার্দ ২০২৬–২৭ য়েন্থোকপগী পুল্লমান, এরোসিটি, ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরমদা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট মনোজ টিৱারিনা খূৎশিন্নখিবনি।

চহীগী ওইনা এদ্যুকেসন ৱার্ল্ড ইন্দিয়া স্কুল রেঙ্কিংগী পান্দমদি স্কুল লিদরশিংনা ...মখা লমায় ৫দা...

Special Drive for enrolment of left out and first time/young electors.

Chief Electoral Officer Manipur




DON'T MISS YOUR CHANCE TO VOTE

VERIFY YOUR NAME
Check the Final Electoral Roll and confirm that your name is listed.

CAN'T FIND YOUR NAME?
Contact your BLO for help and guidance.

Scan to download ECINET App
Android | iOS

Check your name | Contact your BLO
Your name in the Electoral Roll matters

Chief Electoral Officer, Manipur | www.ceomanipur.nic.in | Follow us on:

# ‘অরুনাচল প্রদেশ অমসুং চাইনাগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা তৎতনা মুক্নবগী থৌদোক থোক্লি’
# মুক্নবগী থৌদোক থোকখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা মোদিগী মথক্তা কোংগ্রেসনা ৱাহং হংলকখ্রে





ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি):
অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট অমা ওইরিবা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং চাইনাগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী লৈরিবা লান্মীশিংগী মরক্তা ঙাইহাক লৈতনা মুক্নবগী থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লি হায়না ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি)গী দাইরেক্টর জেনরেলনা ফোঙদোকখ্রে।

আই টি বি পিগী চহীগী ওইনা পাঙথোকপা ফেলিসিটেসন সেরিমোনিগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা আই টি বি পিগী দাইরেক্টর জেনরেল সত্রুজিৎ কাপুরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা আই টি বি পিগী দাইরেক্টর জেনরেল সত্রুজিৎ কাপুরনা হায়, চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই থাদগী হৌদুনা অরুনাচল প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা ঙমখৈ পরিংদা ঙাইহাক লৈতনা চাইনাগী লান্মীশিংগা মুক্নবগী থৌদোক থোক্তুনা লাক্লি।

হায় এল্টিচুদতা মায় পাক্লা ওপরেসন চথবা ঙম্বা আই টি বি পিগী লৈরিবা অখন্নবা শৌৱরিয়া কম্মান্দোশিংনা হায়রিবা চাইনাগী লান্মীশিংবু মায় পাক্লা ঙসি ফাওবা থেংনদুনা লাক্লি।

আই টি বি পি হায়বা অসি মাউন্টেন গোরিলা ফোর্স অমনি। হৌখিবা চহী ২০০৪দগী হৌদুনা চাইনাগা লোন্নরিবা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংবু ফোর্স অসিনা ঙসি ফাওবা মায় পাক্লা ঙাক্তুনা লাক্লি। আই টি বি পিগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অসি কৈদৌঙৈদসু মায় লৈদুনা চেল্লোয় হায়না ফোঙদোকখি।

চাইনাগী লান্মীশিংগা মায় পাক্লা থেংনবা হায়বা অসি অরাইবা অমদি নৎতে হায়না ফোঙদোক্লদুনা দি জি পি সত্রুজিৎ কাপুরনা হায়, আই টি বি পিগী মায়কৈদগী চাইনাগা লোন্নবা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বোর্দর য়ুনিটশিংদা দ্রোন প্লেটুনশিং থমদুনা গলৱানদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মান্নবা থৌদোকশিং থোক্লকপা মতমদা মায় পাক্লা থেংনবা ঙম্নবগীদমক হৌজিক হৌজিক শেম শাদুনা লৈরি। অসিদা নৎতনা আই দি বি পিগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী ঙমখৈ পরিংবু ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক অন্দরগ্রাউন্দদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎতুনা হেন্না কনবা চেকশিন থৌরাং লেপ্পা লৈতনা লৌখৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদা হৌখিবা থা খরা অসিদা চাইনাগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা অরুনাচল প্রদেশকী মনুং চনবা মফমশিংদা চাইনাগী পি এল এ লান্মীনা আইন কায়না চংশিল্লক্তুনা লৈবাক অসিগী মীওইশিংনা চখোক চৎশিন তৌবদা অকায়বা পীবগী থৌওং কয়া চথুরে হায়না পিপলস পার্টি ওফ অরুনাচল (পি পি এ)গী মায়কৈদগী রিপোর্ট তৌরকখিবা লৈখ্রে।

অরুনাচল এসেমব্লিদা এম এল এ ২ লৈরিবা পিপলস পার্টি ওফ অরুনাচলগী মায়কৈদগী অপ্পর সুভানসিরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চাইনাগী লান্মীশিংগী এক্টিভিটি কয়া নৌনা হেনগৎলক্লে হায়না মরীলৈনবা ওথোরিটিদা য়েংশিন্নবা তকশিল্লকখিবসু লৈখ্রে।

অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অরুনাচল প্রদেশকী রিজনেল পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা পি পি এনা ক্লেম তৌরক্লিবা রিপোর্ট অদুবু রিজেক তৌরদুনা চাইনাগা লোন্না ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা অরুনাচল প্রদেশতা মখল অমত্তগী চাইনাগা মুক্নবগী থৌদোক থোকপা লৈতে হায়না ফোঙদোক্লদুনা অরুনাচল প্রদেশ অসি তৎন থানবা য়াদ্রবা ইন্দিয়াগী শরুক অমনি হায়না ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রে।

অসিদা নৎতনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ারস মিনিষ্টর ওইবতা নৎতনা অরুনাচল প্রদেশকী এম পি অমসু ওইরিবা কিরেন রিজিজুনা অরুনাচল প্রদেশকী মফম অমত্তদা চাইনাগী লান্মীশিংনা আইন কায়না খুদুম চনশিন্দুনা লৈবগী থৌদোক থোকপা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

অমরোমদা আই টি বি পিগী দিজি পি সত্রুজিৎ কাপুরনা চাইনাগী লান্মীশিংগা ঙাইহাক লৈতনা মুক্নবগী থৌদোক লেপ্তুনা থোক্লি হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অসিবু রিএক তৌদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা এম পি জয়রাম রমেশনা অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈ মনুংদা চাইনানা মরম ওইরগা থোক্লিবা মুক্নবগী থৌদোক ৱাথোকশিং অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফাওবা পাউখুম অমত্তা পীদনা লৈরিবা করিগীনো হায়না হংলক্লি।

জয়রাম রমেশনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মখা তারদুনা হায়, লদাখতা লৈবা খুঞ্জাশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সকী পেট্রোলিং পোইন্ট কয়া মাঙখ্রে হায়না রিপোর্ট তৌরকখ্রে। অসিদা নৎতনা অরুনাচল প্রদেশকী মফম অমবু চাইনাগী মায়কৈদগী নৌনা মিংথোনবগা লোয়ননা ৬০,০০০-এম দল্লিয়ু দাম অমা শাদুনা লৈবাক অসিগী ইকোলোজিকেল অমসুং ৱাটর সেক্যুরিটিদা চাওনা শীংনবগী থৌওং কয়া চথরক্লি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## পাকিষ্টাননা কার্গিল লানদা লৈখিদ্রবা লৈবাক অদুগী থৱাই য়াওদ্রবা লান্মীগী অশিবা হকচাং ফাওবা লৌখিদে হায়না য়ু এনদা ফোঙদোকখ্রে




য়ু এন, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি):
হৌখিবা চহী ১৯৯৯দা ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টানগী মরক্তা শোক্লখিবা কার্গিল লান হায়না খঙনরিবা লানফম অদুদা লৈখিদ্রবা পাকিষ্টানগী থৱাই য়াওদ্রবা লান্মীশিংগী অশিবা হকচাংশিং ফাওবা মতম অদুগী লৈঙাক্লা লৌশিনখিদে। অদুগা ঙসিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাকিষ্টাননা লাইনিং লাইশোনগী ওইবা নিংতম্বা অমসুং লৈখিদ্রবা থৱাইশিংগী মফমদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা অপনবা পীরোইদবনি হায়না পাকিষ্টাননা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি নোক্লিংবা ফাওই হায়না ইন্দিয়ানা য়ু এন এসেমব্লিদা ফোঙদোকখ্রে।

ফ্রীদম ওফ রিলিজন এন্দ বিলিফ হায়না মিংথোনবা নজিলা ঘানিয়া কৌবা য়ু এনগী স্পিসিয়েল রপোরটিওর অমনা রিপোর্ট তৌরকখিবা ৱাফম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়ু এনদা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা পার্মিনেন্ট মিসনগী ফার্ষ্ট সেক্রেটরিগী থৌ পুরিবা ভাবিকা মঙ্গলানন্দননা ৱাফম অসি য়ু এনদা ফোঙদোকখিবনি।

ফ্যুনরেল রাইটস ইন এক্সেপসনেল সার্কমষ্টেন্স হায়বা মিংথোনবা টেপিক অমগী মতাংদা খন্ন-নৈনবদা শরুক য়ারদুনা ইন্দিয়াগী ফার্ষ্ট সেক্রেটরি ভাবিকা মঙ্গলানন্দননা হায়, পাকিষ্টানগা শোক্লখিবা কার্গিল লাল অদুদা পাকিষ্টানগী লৈখিদ্রবা মশিং য়াম্লবা লান্মীশিংগী থৱাই য়াওদ্রা অশিবা হকচাং কয়া ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা মিলিটরিগী ওইবা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ইস্লাম লাইনিংগী মখাদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখি।

য়ুনিয়ন টেরিটোরি, জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলিবা অসি পাকিষ্টান লৈঙাক্লা মতৌ তম্বা মথৌ তাই। পাকিষ্টাননা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা আইন কায়না খুদুম চন্দুনা লৈরিবা মফমশিংদা খুন্দারিবা মীয়ামগী রাইট মৎপগা লোয়ননা মশিং য়াম্লবা মাইনোরিটি মীয়ামগী মথক্তা মীওৎ মীনৈ চথবগী থৌওং লেপ্তুনা থোক্লি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মশাগী মরৈবাক্তা লৈবা মায়নোরিটি মীওইশিংবু মপুং ফানা ঙাক শেন্দুনা থম্বা ঙমদনা লৈরিবা পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াগী মথক্তা হ্যুমেনিটিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা ৱাফম ফোঙদোকপা অসি মতিক চাদে হায়না পাকিষ্টানবুসু মহাক্লা মরাল শীখি।

## খোঙজং চথরকপা য়াই চিংনবা লৈবদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ন্যু দিল্লিদা সি এ পি এফ দিপ্লোয়মেন্ট তৌবগী থবক থা অসিগী ৩১ ফাওবা শাংদোকখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি):
পোলিটিকেল পার্টি অমসুং তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা তোঙান তোঙানবা ইসু কয়াগী মতাংদা মখা তানা খোঙজং চংশিল্লকপা য়াই হায়না চিংনবা লৈবদগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থা অসিগী ৩১ ফাওবা সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্স (সি এ পি এফ)কী মশিং য়াম্লবা কম্পনি কয়ানা ঙাক শেন্দুনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমারবু মফম লৌথোক্কদবনি হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা কোক্রোস জনতা পার্টিনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুবু লাকশিন্নবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সি এ পি এফকী কম্পেনি ২৭৩ দিপ্লোয় তৌদুনা ন্যু দিল্লিদা ঙাক শেনবগী থবক লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ারসকী মায়কৈদগী দিল্লি পুলিস অমসুং সি এ পি এফকী মরক্তা কোওর্দিনেট লৈনা থবক তৌদুনা ন্যু দিল্লিদা মখা তানা সেক্যুরিটিগী থবক লৌখৎনবা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা মরীলৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি সি জে পিগী খোঙজং অদুবু লাকশিন্নবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খুদক্তা দিল্লিদা লাক্তুনা সেক্যুরিটিগী থৌদাং লৌনবা খঙহনখিবা সি এ পি এফকী কম্পেনিশিং অদু থা অসিদা তাঙ্কক কয়ারক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ারসকী মায়কৈদগী ন্যু দিল্লিদা লৈদুনা সেক্যুরিটিগী থৌদাং লৌনবা নৌনা ওর্দর থোক্তুনা ঙসি ফাওবা লৈরকখিবনি হায়রি।

দিল্লি পুলিসকী মায়কৈদগী ন্যু দিল্লিদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং আউটফিদ কয়ানা ন্যু দিল্লিগী সেন্সিটিব ওইবা মফমশিংদা নৌনা খোঙজং চংশিল্লকপা য়াই হায়না মিনিষ্ট্রিদা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না সি এ পি এফকী মশিং য়াম্লবা কম্পেনিশিংগী সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলশিং থা অসিগী ৩১ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা লৈদুনা সেক্যুরিটিগী থৌদাং লৌনবা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।



Crossword # 1176

Across
1. Pretzel seasoning
5. Petticoat
9. Bangkok natives
14. One who fibs
15. Opinion ____
16. For this reason
17. Deserving great respect
19. Restore
20. Oolong server
21. Sensible
23. Snaky letter
24. Endure
26. Boat paddle
28. Document
31. Cranky
37. Boxing great
38. Forest growths
39. Outline
40. Ark patriarch
42. Rear
43. Care for
44. Hill of sand
45. Borders
46. Crack pilot
47. Decoration
49. Selected
51. Ghost's cry
52. 18-wheeler
54. Truman's monogram
57. Journey
60. Retitle
64. Out on ____ (2 wds.)
66. Controlled
68. Craze
69. Long, narrative poem
70. Ripped
71. Pay out
72. Oceans
73. Church word

Down
1. Narrow board
2. Staff member
3. Buddhist monk
4. Threefold
5. Minor quarrels
6. Toss
7. Afflictions
8. Guilty, e.g.
9. Menace
10. Giggle sound
11. Novelist ____ Rice
12. Summer treats
13. Bastes
18. Zoo sound
22. Sounds
25. Outburst
27. Attentive
28. Chinese "bear"
29. Audibly
30. Baby grand, e.g.
32. Royal rule
33. Adjusts again
34. Sheep's cry
35. Cyclist ____ Armstrong
36. Came to a close
38. Quake
41. Food seasoning
48. Pretty good (2 wds.)
49. Warning sign
50. Fiesta item
53. Clapton and Roberts
54. Bad actors
55. Strike
56. Fork point
58. The ____ of March
59. Catholic leader
61. Tiny particle
62. Slight
63. Genesis locale
65. Hr. part
67. Soccer's ____ Hamm

পাউখুম লমায় ৭ তা ...

## লৈবাক অসিদা অনা লায়েংগী হিদাক কয়া মথৌতাবা ক্বালিটি শুনা য়াওরমদবা থেংনরে: সি দি এস সি ও

CDSCO
Central Drugs Standard Control Organization

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি):
অনা লায়েংগী মতমদা মীয়াম্না শিজিন্নরিবা হিদাক লাংথক কয়া মথৌতাবা ষ্টেন্দরদ ক্বালিটি শুনা য়াওরমদবা থেংনরে হায়না সেন্ট্রেল দ্রগস ষ্টেন্দরদ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (সি দি এস সি ও)গী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

**সনা-সুদোকু-১১১৭ সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 4 | 2 | 7 | 8 | 9 | 1 | 6 |
| 6 | 9 | 8 | 3 | 1 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 7 | 2 | 1 | 6 | 4 | 9 | 3 | 5 | 8 |
| 2 | 8 | 6 | 9 | 3 | 4 | 5 | 7 | 1 |
| 9 | 1 | 7 | 5 | 8 | 2 | 4 | 6 | 3 |
| 3 | 4 | 5 | 1 | 6 | 7 | 8 | 2 | 9 |
| 1 | 5 | 3 | 8 | 2 | 6 | 7 | 9 | 4 |
| 8 | 7 | 9 | 4 | 5 | 1 | 6 | 3 | 2 |
| 4 | 6 | 2 | 7 | 9 | 3 | 1 | 8 | 5 |

লৈবাক অসিদা মীয়াম্না শিজিন্নরিবা হিদাক লাংথকশিং মথৌতাবা ক্বালিটি শুনা লৈরিব্রা হায়বা তাঙ্কক নাইনা সেম্পল কয়া লৌদুনা চথবা সর্ভিলেন্সতা মশিং য়াম্লবা হিদাক লাংথক কয়া লৈফম থোকপা ক্বালিটি শুনা লৈরমদবা থেংনরকখিবনি হায়নসু ওফিসিয়েল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা সেন্ট্রেল দ্রগ লেবোরেটিগী মায়কৈদগী চথবা টেষ্টিং তৌবগী থবক্তা হিদাক ৪২গী সেম্পলদা মথৌতাবা ষ্টেন্দরদ ক্বালিটি য়াওরমদবা থেংনখি। অসিদা নৎতনা ষ্টেট দ্রগ টেষ্টিং লেবোরেটরিগী মায়কৈদগীসু হিদাক ২৮৮কী সেম্পলশিং ক্বালিটি শুনা য়াওরমদবা থেংনখি হায়রি।

সি দি এস সি ওগী মায়দৈগী ক্বালিটি শুনা য়াওরমদবা হিদাক লাংথকশিং অদু গভর্ণমেন্টকী লৈরিবা লেবোরেটরিশিংগী খূৎথাংদা টেষ্ট তৌরবা মতুং কৈথেলদা ফংবা হিদাকশিং খক্তনি। অতোপ্পা তোঙানবা মফম অমদা টেষ্ট তৌরবা মতুং কৈথেলদা ফংলিবা হিদাক লাংথকশিংদি নৎতে হায়নসু খঙহল্লক্লি।

নেসনেল কেপিটেল টেরিটোরি ওফ দিল্লিদগী সেম্পল লৌদুনা চাংয়েং তৌবদা মখল অমা হিদাক কাংলোন ঙাক্লা প্রদক্সন তৌরম্বগী মমি অমত্তা উখিদে। হায়রিবা দ্রগ অদু অতোপ্পা কমপেনি অমগী মিং লৌদুনা নিয়ম লান্না মেনুফেকচর তৌরম্বনি হায়বসু খঙবা ঙম্লে হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা রুলগী মতুং ইন্না চৈরাক পীনবা থবক লৌখৎলি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।



SL/KK/10 to 25

## ইলেক্টোরেল প্রোসেস অমসুং ইলেক্সন কম্মিসনগী থবক থৌওং ইনক্বারি তৌনবা পঞ্জাব এসেমব্লিনা রিজোলুসন লৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি):
ইলেক্টোরেল প্রোসেসতা অরানবা থৌওং কয়া চৎখে হায়না লৈবাক অসিদা ঙাংন শক্লরিবা ৱাফম অমসুং চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমারগী মখাদা ইলেক্সন কম্মিসননা চথরিবা থবক থৌওংশিং অসিবু ইনিদপেন্দেন্ট ইনক্বারি অমা তৌদুনা য়েংশিন্নবা পাঞ্জাব এসেমব্লিনা অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা রিজোলুসন লৌখ্রে।

পঞ্জাব এসেমব্লিগী ঙসি নীনি চনবা মীফমদা ফাইনান্স মিনিষ্টর হরপাল সিংহ সিমানা রিজোলুসন অসিবু খন্ননবা হাউসতা পুথোরকখি।

রিজোলুসন অদুগী মতাংদা খন্নবদা শরুক য়ারদুনা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ভগৱান মননা বি জে পিনা লৈবাক অসিদা ভোট হুরানবগী থৌওং চৎখে হায়না মরাল শীরদুনা বি জে পিনা চথরিবা থৌওং অসি লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসিদা য়ান্না চাওনা মীপায়নিঙাই অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

অসিদা নৎতনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিদা চথখিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর)না মরম ওইরগা ভোটর ক্রোর ১৪ হেনবগী মিং লৌথোকখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়াখিবা এম এল এশিংনা লৈবাক অসিদা কনষ্টিট্যুসননা পীরিবা ভোটিং রাইট কয়া মৎপগী থৌওং চথুরে হায়না ফোঙদোক্লদুনা কনষ্টিট্যুসননা পীরিবা ভোটিং রাইট অসিবু ঙাক শেন্দুনা থম্নবা মথৌতাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মদুগী মতুং হাউসতা শরুক য়ারিবা মশিং য়াম্লবা এম এল এশিংনা য়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা ইলেক্টোরেল প্রোসেস অমসুং চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমারগী মখাদা চথরিবা ইলেক্সন কম্মিসনগী থবক থৌওংশিং অসি ইন্দিপেনন্দেট বোদি অমনা ইনক্বারি তৌদুনা অচুম অরান থিদোক্কদবনি হায়বা রিজোলুসন অদু পাস তৌখি।

পনবা য়াবদি রিজোলুসন অদুবু হাউসতা খন্ননবা পুথোরকখিবা ফাইনান্স মিনিষ্টর হরপাল সিংহ সিমানা লাইরবা মীয়ামদগী বি জে পিনা ভোটিং রাইট মৎপগী থৌওং চৎখে হায়না মরাল শীরদুনা দিল্লি এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা বি জে পিনা মায় পাকখিবা অদু ভোট হুরানদুনা মায় পাকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অসিদা নৎতনা এ এ পিগী এম এল এ ইন্দরজিত কোর মননা বেলোট পেপরগী খূৎথাংদা লৈবাক অসিদা মীখল পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না হাউসতা থমখি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST HIYANGTHANG**

*Ref. :- Mutation Case No.503/SDC /IW /H 2026*

1) Khumbongmayum Diwan Singh (0.06) S/O (L) Ibohal Singh of Lairanjam Awang.
2) -do- Manichou Singh S/O -do - (0,30)
3) -do- Ibomcha Singh S/O -do - (0,30)
4) -do- Nanaocha Singh S/O -do - (0,30)

*- Petitioners*

*-Verses-*

Khumbongmayum Ibohal Singh S/O (L) Krishna Singh of Lairanjam Awang. *- O. P.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

*Dated Hiyangthang 21/10/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খংহল্লি মদুদি ককচিং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং 6-Lairenjam পাতা নং ..অরিবা, 585 অনৌবা গী হাল ডাগ নং ... (অরিবা) 1225/1369 (অনৌবা) গী এরিয়া 1.80 (Phourel) একর চাওবা লৌফম অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দাংকারিশিং অসিগী মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরি লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা পাঙচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Imphal West Hiyangthang

SL/Bablu/24

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST HIYANGTHANG**

*Ref. :- Mutation Case No.508/SDC/IW /H 2026*

1) Khumbongmayum Sarat Singh S/O (L) Ibohal Singh Lairanjam Awang.
2) Khumbongmayum Ibomcha Singh S/O -do- (0.05)

*- Petitioners*

*-Verses-*

Khumbongmayum Ibohal Singh S/O (L) Krishna Singh of Lairanjam Awang. *- O. P.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

*Dated Hiyangthang 21/10/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খংহল্লি মদুদি ককচিং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং 6-Lairenjam পাতা নং ..অরিবা, 586 অনৌবা গী হাল ডাগ নং ... (অরিবা) 1231 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.63999 (Phourel) একর চাওবা লৌফম অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দাংকারিশিং অসিগী মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরি লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা পাওচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নত্রগা অইবা চোরোলনা আপতি তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Imphal West Hiyangthang

SL/Bablu/24

